*ইংলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ওদিআই সেরিজগী খনগৎপদা চহী ৩গী মতুংদা অমুক হন্না য়াওখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী ৱিকেটকিপর রবি কল্পনা*

*মশা ফিট ওইদবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নগদৌরিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা শরুক য়াদবগী ফিভমদা লৈরিবা ইংলেন্দগী ওল রাউন্দর বেন ষ্টোক্স*

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অন্দর ১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে এস এম দি সিনা দি ৰাই দল্লিযু এ এসপু থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

*থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

যুনাইটেদ মোইজিং ফুটবোল ক্লব (যু এম এফ সি), থৌবাল মোইজিংনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চখরকখিবা ফার্ষ্ট মেন'স অন্দর ১৫ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি এস এম দি সি সেরো অমদি দি ৰাই দল্লিযু এ এস সঙ্গাইযুম্ফম অরোইবা মেটচ শান্নদুনা লোইশিনখ্রে, এস এম দি সি সেরোনা দি ৰাই দল্লিযু এ এস সঙ্গাইযুম্ফমবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মায়কৈ অনীনা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমমমদগী হেন্না চন্নবা ঙম্নদবদগী টাই ব্রেক কাওনখি। টাই ব্রেক্তা এস এম দি সি সেরোনা দি ৰাই দল্লিযু এ এস সঙ্গাইযুম্ফমবু গোল ৩–২ দা থোইখি।

ফার্ষ্ট মেন'স অন্দর ১৫ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ অমদি হায়েষ্ট স্কোররনা এস এম দি সিগী এমদি রিয়াজ খাননা ফংখি। বেষ্ট গোলকিপরগী মনানা যু এম এফ সি মোইজিংগী এমদি মুস্তাকিম অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিননা যু এম এফ সিগী এমদি হানিফনা মথংশিংনা তাখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা এম এল এ ও সুরজকুমার, যু এম এফ সি গী প্রসিদেন্ট কে ঐচ সেরাজুদ্দিন, লৈশাংথেম জিলা পরিষদ মেম্বর এমদি অব্দুল লতিফ, উপ্পা অধক্ষ্যা ককচিং জিলা পরিষদ মোহমদ নাজিমুদ্দিন অমদি দি এফ এ গী প্রসিদেন্টে এম মনি শরুক য়াদুনা ৱিন্নর টিম অমদি রন্নর্স অপ টিমদা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

## ২৮শুবা কে সি মাল্লিক মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ মোঙ্গোলোইদ এফ সি অমদি দিগর ঐচ এস সি ফাইনেল শান্নরগনি

*জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা জনুৱারিগী ২৮ দগী হৌদুনা পুন্না টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লক্লিবা ২৮শুবা কে সি মাল্লিক মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দিগর ঐচ এস সিনা ঐচ কে এল এফ সি টিম্বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা দিগর ফাইনেল চঙখ্রে। লাক্লিবা তাং ১১, ২০১৯ দা মোঙ্গোলোইদ এফ সিগা ফাইনেল শান্নরগনি।



*দিগর ঐচ এস সিনা ঐচ কে এল এফ সি না শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচকী মতাং*

ঙসিগী মেটচ অসিদা দিগর ঐচ এস সি অমদি ঐচ কে এল এফ সি টিম অনীনা শান্নখি। দিগর ঐচ এস সি টিমনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা ঐচ কে এল এফ সি টিম্না বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাঙদা দিগর ঐচ এস সি টিমগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ ভাল্টেনা ৭শুবা মিনটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মতুংদা ভাল্টেনা ৩৭শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা পুন্না গোল অনী চনখি। ঐচ কে এল এফ সি টিমদি গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী অহানবা হাল্ফ মমাঙদা দিগর ঐচ এস সিনা ঐচ কে এল এফ সিবু গোল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুং ঐচ কে এল এফ সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ জাইরেমনা ৪৪শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। দিগর ঐচ এস সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৩ লালরোচোন অমদি জর্সি নম্বর ২ সান সুওকবু মেটচকী ৫৪ অমদি ৫৮শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুগা ঐচ কে এল এফ সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ২৩ ৱেসলি অমদি জর্সি নম্বর ৯ জের্টেবু মেটচকী ২৩ অমদি ৬৭শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা কে ঐচ নিলকমল সিংহ, সিয়াম, সাটসুং অমদি এ ইবোতোন সিংহনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইখি।

## দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪দগী টিম ৯ না গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোক্লুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ ককচিংদা ১৫শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচতা এস দল্লিযু সি কৈরকনা যু সি সি ককচিংবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মায় পাক্লবা এস দল্লিযু সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৩ দা জর্সি নম্বর ১৫ ঐচ রিসিরাজনা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ থোইবনা মিনট ২৮ দা চন্দুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ এ কে ইবেমচানা মিনট ৩৯, জর্সি নম্বর ১২ টি লানঙম্বনা মিনট ৫৪ অমদি জর্সি নম্বর ২১ বিদ্যাকান্তনা মিনট ৬২ দা গোল অমমম চন্দুনা এস দল্লিযু সিনা পুন্না গোল ৫ চল্লগা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা এস দল্লিযু টিগী এন সোমোকান্ত, টি লানঙম্বা অমদি যু সি সিগী গোবিনদা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি ঐচ অরুনকুমার, রিগাল, বিদ্যপতি অমদি লিতনবালানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অয়েংগী মেটচতা কে টি সি ককচিং অমদি কে পি এস সি ককচিংগা নুংথিল পুং ১.৪৫ দা শান্নরগনি।

## রোমানা চিয়েভোবু ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইটালিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে

*রোম, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা রোমানা চিয়েভোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।





*রোমাগী শান্নরোইশিংনা চিয়েভোগী মায়কৈদা গোল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌরকপদগী রোমাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা চিয়েভোগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ষ্টেফান ইল সারাৱিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ইদিন জেকোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা রোমানা চিয়েভোবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা আলেকসান্দর কোলারোভনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা চিয়েভোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। অমরোমদা রোমাগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রোমানা চিয়েভোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলাগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বেয়র লেভরকুসেননা মেঞ্জ ০৫বু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচকী ৫শুবা মিনটতা বেয়র লেভরকুসেনগী শান্নরোই ৱেনেদলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৯শুবা মিনটতা মেঞ্জ ০৫ কী শান্নরোই রোবিন কুৱাইসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনখি।

১৯শুবা মিনটতা বেয়র লেভরকুসেনগী শান্নরোই কাই হার্ভর্টজনা পাঞ্জল অমা, ৩০শুবা মিনটতা জুলিয়ান ব্রান্দটনা পাঞ্জল অমা অদুগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই করিম বেল্লারাবিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৪শুবা মিনটতা বেয়র লেভরকুসেনগী শান্নরোই জুলিয়ান ব্রান্দটনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫–১ দা মায় পাকখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ২৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফুলহামবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা মরিশুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে।

## চর্চিল ব্রদর্স অমদি মোহন বগান ১–১ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখ্রে





*মারগাও, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা গোৱাগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্স অমদি কোলকতাগী ক্লব মোহন বগান পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা এসিয়র পিয়েরিক দিপান্দা দিক্কানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেনখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এন্থোনি ৱোলফেনা পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নহন্দুনা থমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নখিদবদগী মেটচ অদু ১–১ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইটালিগী মেগর অমদি পেল্লেগ্রিনোনা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জরগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে

*চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চখরকপা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলস ফাইনেল মেটচ মায় পাক্লুনা ইটালিগী পেয়র জি মেগর অমদি এ পেল্লেগ্রিনোনা টাইটল লৌখ্রে।

চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী পেয়র জি মেগর অমদি এ পেল্লেগ্রিনোনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রেলিয়াগী এম রিয়েদ অমদি এল সাভিলিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট ইটালিগী পেয়র মেগর অমদি পেল্লেগ্রিনোনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র রিয়েদ অমদি সাভিলিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদু পেয়র অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনরক্লবা মতুং ইটালিগী পেয়র মেগর অমদি পেল্লেগ্রিনোনা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৯–৭) দা থোইরম্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌখি।

চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কোরেন্টিন মৌটেট অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্দ্রিযু হরিস লম্বা তৌনরগনি।

২শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কোরেন্টিন মৌটেটনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সাসি কুমার মুকুন্দবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা ফ্রান্সকী কোরেন্টিনগা লম্বা ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্দ্রিযু হরিসনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৩–৬, ৬–০ দা থোইরম্বনি।

## ইন্দিয়া এ হোক্কী টিম ফ্রান্সকী মখূত্তা মায়থিখ্রে

*লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী এ টিম্না ফ্রান্সকী এ টিমগা শান্নখিবা হোক্কী মেটচ অমদা ইন্দিয়া ফ্রান্সকী মখূত্তা ০–১ দা মায়থিখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকপদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী এ টিম অসিগী কেপ্টেন সালিমা টেটেনা ওইখি অদুগা ভাইস কেপ্টেননা লালরেমসিয়ামীনা ওইদুনা মেটচ অদু শান্নখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ইনেস লারদিয়ুরনা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোইশিল্লবা ফাওবা লৈখি।

টিম অনী অসিগী অনীশুবা মেটচ হয়েং উত্তর প্রদেশকী সিটি গোরাখপুরদা শান্নগনি।

### ক্রোসৱার্দ ৬৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | I | M | P | | A | M | E | N | | A | P | P | L | E |
| A | S | E | A | | M | O | N | A | | S | A | L | O | N |
| R | E | A | R | | O | L | E | S | | T | R | E | A | D |
| M | E | L | O | D | R | A | M | A | | R | E | A | D | S |
| | | | L | E | E | R | Y | | R | A | N | | | |
| S | H | E | E | T | | | | D | A | Y | T | O | N | A |
| O | E | R | | E | R | A | S | E | D | | S | N | O | B |
| D | A | N | | R | E | G | A | L | I | A | | S | O | Y |
| A | R | I | D | | S | E | N | I | O | R | | E | S | S |
| S | T | E | E | R | E | D | | | | R | I | T | E | S |
| | | | P | A | T | | A | L | L | O | T | | | |
| A | B | H | O | R | | A | L | L | O | W | A | N | C | E |
| B | O | I | S | E | | L | I | A | R | | L | U | L | L |
| U | N | T | I | L | | A | C | M | E | | I | D | O | L |
| T | E | S | T | Y | | S | E | A | N | | C | E | D | E |


PALACE DENTAL CARE

*Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple Imphal East*

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

**Treatments available:-**

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday 8 AM. to 12 Noon.

X-ray available

Visiting Hours 8:30 AM. to 4:30 PM.

*For more details Please Contact:*
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19



A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

*SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST*

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

*Please Contact:*
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019